হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, এপ্রিল ২৯, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৩৫শুবা মশীং

## ইলেক্সন পিটিসনশিং য়ারিবমখৈ ব্রায়েল থিন্থহন্নীংদে

চৎলিবা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ২৮ অমসুং মার্চ ৫দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মীখলগী রিজল্ট মার্চ ১০, ২০২২দা লাউথোকখিবগা পন্থদনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ইলেক্সন পিটিসনশিং ফাইল তৌনরকখ্রে। এপ্রিল ২৫, ২০২২ ফাওবদা ফাইল তৌনরকখ্রবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিগী মনুংদগী হায় কোর্টনা পিটিসন মরি লৌখৎতুনা খন্নবা হৌখ্রে। পিটিসনশিং অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংদা পীফম থোকপা নুমিৎশিং পীরদুনা নোটিসশিং ইস্যু তৌখ্রে। পাউখুম পীরক্নবা খঙহনখ্রে। নুমিৎতু ফাওবদা হায় কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নখিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অদু মথং-শিৎনা ব্রাঙ্খ্রে এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী জে দি (য়ু) গী এম এল এ থাংজম অরুনকুমারগী মথক্তা বি জে পিগী ওক্রম হেনরি, মোইরাংগী এন পি পিগী এম এল এ থোঙাম শান্তিগী মথক্তা বি জে পিগী কেন্দিদেট মাইরেম্বম পৃথিবীরাজ, থোংজু এ সীদগী বি জে পিগী টিকেটতা কারক্লগা মিনিষ্টর ওইরবা থোঙাম বিশ্বাজিৎকী মথক্তা কোংগ্রেস মীরেপ ওইখিবা সেরাম নেকেন অমসুং লমশাংগী বি জে পিগী এম এল এ সোরোখাইবম রাজেনগী মথক্তা মহাক্কা লম্বা তৌনখিবা এন পি পিগী পুখ্রম্বম শুমতিনা ফাইল তৌরকখিবনি। ইলেক্সন পিটিসনশিংনা মথংশিৎনা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ১ ওফ ২০২২, ২ ওফ ২০২২, ৩ ওফ ২০২২ অমসুং ৪ ওফ ২০২২নি। ইলেক্সন পিটিসন মরিসি লৌখৎতুনা খন্নখ্রবসু ফাইল তৌনরকখ্রবশিংগী মরক্তগী মখা তাবা অনী অমগসু হায় কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। ব্রায়েলশঙদা ব্রাকৎচে অমা লাক্লবনিনা মদুবু লৌখৎতুনা খন্নববু য়ারবদি কোর্টসিগী বেঞ্চ অমদা হেক্তা লৌখৎলকপা য়াই। খন্নদুনা ব্রায়েল চথনবগীদমক ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিদা পাউখুম পীরক্কদবা অখন্নবা নুমিৎ মশীং পীরদুনা নোটিসশিং ইস্যু তৌরকপদি হৌনবীনি। অদুবু রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী এফিদেভিটকী ফোর্মদা পাউখুমশিং কোর্টনা পীবা মতমগী মনুংদা পীখৎনরকপা য়াই। পাউখুমশিং অদুগা ইরোয়ননা কনাগুম্বা রেসপোন্দেন্ট খরগী মরক্তগীনা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা পিটিসনশিং অদু খন্নফম থোক্তে, মেন্টেনেবল ওইদে হায়বনচিংবগী ব্রায়েৎ পীবা মিসেলিনস কেস ফাওবা ফাইল তৌনবা য়াওরকপসু য়াই। অদুগা রেসপোন্দেন্ট খরগী মায়কৈদগীনা মখোয়গী মায়কৈদগী পাউখুম পীরক্নবগী মতম খরগা শাংথনা পীবিনবা প্রেয়র ফাওবা তৌরকপা য়াই।

পূম্নমক ওইনীংবশিং ওইজসনু, হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী লৈজরিবা ব্রায়েলগী প্রোসিজরশিং, থোইদোক-হেন্দোক্লা ইলেক্সন পিটিসনগী মতাংদা লৈরিবা রুলশিংগী মনুং চন্না ব্রায়েল চথদুনা পীফম থোকপা ব্রায়েল পীদুনা দিস্পোজ তৌবা হায়বসি হায় কোর্টকী ওইবা থবক থৌরমশিংনি। থবকশিংসিদা হায় কোর্টনা চথরকপা ব্রায়েলগী মওং অমসুং পীরকপা ইন্টরিম ওর্দর অমসুং জজমেন্ট অমদি ওর্দরনচিংবদা য়ানীংদবা য়াওরক্লগনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ব্রাকৎলুবা, এপেক্স কোর্টসিনসু লৌখৎতুনা খন্নরগদি মসিদগী লাকপা দিরেক্সনগী মতুংইন্না হায় কোর্টতা নৎত্রগা কোর্টসিগী ব্রায়েলদা এপেক্স কোর্টকী ওইবা ওর্দর/দিরেক্সন/ওবজার্ভেসনশিং থন্নকপদি ঙম্মী। হায় কোর্টনা পীবা ওর্দর অপহেল্ড তৌবসু ঙম্মী, ষ্টে তৌবসু ঙম্মী নৎত্রগা ক্বাশ তৌদুনা চৎনহন্দবসু ঙম্মী। মসিনা ষ্টেট অমসুং লৈবাক্কী থাক্তা লৈরিবা ব্রায়েলশঙশিং অসিগী তৌফম থোকপা অমসুং তৌনদুনা লাকপা থবক থৌরমশিংনি, মচৎনি। অদুবু লাক্লিবা ব্রাফমদি ব্রায়েলশঙদা ব্রাকৎনরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিগী মায় পাকপা নৎত্রগা মায়থীবা হায়বদুনা নাকল অমরোমদা থমখ্রগা অনীমকসিগী মনুংদা ওইরক্কদবা অমা নৎত্রগা অমদু করম্বা মতমদা ওইথোকহল্লক্কদগে হায়বসিনি। মরমদি হৌখিবা ১১শুবা এসেমব্লি ইলেক্সনগী রিজল্ট লাউথোক্লবা মতুংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌনরকখিবা অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ১২নি। অদুবু শরুক অহুম থোকপগী মনুংদা অমখক্তমক ১১শুবা এসেমব্লিদুগী মপুন্সি লৈরিঙৈদা দিস্পোজ তৌখি। অদুসু সুপ্রিম কোর্ট য়ৌনা ব্রাকৎনরুরগা অকক্লবা মতম পীদুনা তকথরকপদগী লোইশিনবা য়াওখি। পিটিসন অমনা ১২শুবা অনৌবা মীখল পাঙথোক্লবগী নোটিফিকেসন থোরক্লে মরম অদুনা 'ইনফ্রক্সস' ওইরে হায়দুনা দিসমিস তৌবসু য়াওখি। মরম অসিনা হন্দক ১২শুবা মীখল মতুংদা ফাইল তৌনরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসনশিং অসিসু য়াওশঙ মতুংদা অবের থুংলবগী থৌদোক থোরকপা য়াওরক্কদ্রা হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪০

১) **"তোয়না থেংনৈ ঐনা/ব্রাহৈনা মপূকচেন হোংলকপা।/ব্রাহৈনা মপূক শেংলক্তবসিদা/কপলি ঐগী থৱায়না।"** শক্লাইরবা কবি অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেং অমনি। কবি অসি কনানো, মাগী করি লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্কী মমিংনি **"অরোইবা খোঙচৎ"** হায়বসি। অইবসি কনানো অমদি লাইরিক অসি করি মখলগীনো?

৩) ***"সেনবী সমসোক্ লৌওনব পাংগ ঈপ লাল্ কবো ঈপু লাল্ পূনুং চঙবী ঈয়ান খাক্ পূনুং ঈসোই ননন লমলেল্ মংসা লউথেং কোইদ ইরোই কাংপোৎ খোমলরে হায়য়ে। পোইরই ঐসু তাংসক্তে।"*** ব্রাহৈ পরেংশিং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

৪) **"চেরৈ"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৫) ***"অ।! চান্নবী, হৈররোনে থন্ন, থক্লসিনে,/হৌখিবগীদমক্ত নীংঙমদ্রবা লাক্কদৌ' গীসু নুংনাংনরিবা ঙসি কৌবা নুমিৎসে,/হয়েং! করিগী হয়েং, ওইবা য়াদ্রবা ঐহাক্তী/হৌখ্রবা চহী লীশিং চাম্মগী চিন্তা পোৎলুম পুবা।"*** মালেম ফাওরিবা কবি অমগী শৈরেংদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা মতেকনি। কবি কনাগী করি শৈরেং লাইরিক্লো অমদি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবনা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মতমসিগী প্রাইভেট স্কুলশিংগী ফীসি খজিক্তং য়াম্মন্দ্রা?

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

হৌজিক মতমগী প্রাইভেট স্কুলশিংদা ইচা-ইশুশিং মহৈ তমহনবদা চহী অমদা পূন্না চঙলিবা শেনফমসি খজিক্তং য়াম্মনবা মান্দব্রা? চুম্মী, হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুলশিংগা প্রাইভেট স্কুলশিংগদি হীরম কয়ামুক্তা খেন্নবশিং লৈ। প্রাইভেট স্কুলশিংগা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগা হৌজিক-হৌজিকমক্কী ওইনদি হীরম অমত্তদসু চাংদম্নবদা খক য়াখিরোই। অদুম ওইনমক ফনা খেন্নবশিং লৈদুনসু প্রাইভেট স্কুল অমদা চহীগী ওইনা মিং চনবদা পূন্না চঙলিবা এদমিসন ফী অমদি থা-থাগী ওইনা থিরিবা স্কুল ফীশিংসি পুল্লপ পুনশিল্লগা পূন্না য়েংবদদি শেনফমসি ফনা নিংথিজনা য়াল্লব্রা হায়বা ৱাফম অয়াম্বনা ফাওনরকপা মাল্লি। মহৌশানা প্রাইভেট স্কুল অমনা চহীদা ইনকম কয়া লাক্লিবা অমসুং চাদিংনা কয়া চৎখ্রিবা হায়বসি কনাগুম্বা মীচম অমনসু হেক্তা ইরায় লায়না পাবদা থোকপা অমনি। স্কুলদুদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী মশীং অমদি স্কুলদুগী ওইবা টিচিং অমসুং নন-টিচিং ষ্টাফশিংগী অপূনবা মশীং খঙলবদি পাবদা অদুম্মক পোপ লাউনা তাজগদবনি। কালক্যুলেসনগী মতুংইন্না চহীদা শেন্দোং কয়াম তাল্লিবনো হায়বদুসু মীপূম খুদিংমক্লা খঙবু খঙনীংলবদি পাথোকপদা ঙাইহাক্তংদনি। অদুম ওইনমক কনাগুম্বা অমনা লন্নাই ওইনা তৌজবা বিজিনেসতা থিজিল্লুবা হায়বসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লমদমসিদা তৌনদে। ৱাখল্লোনসিনা লমদমসিদা মীয়াম্না প্রাইভেট স্কুলশিংগী স্কুল ফীশিংগী মরমদা থোইনা পন্নবা তৌদ্রি। অদুবু, মণিপুরদা লৈরিবা মীচম-মীয়ামগী শেন্থোক লম্বেলশিংসিনা নোংম-নোংমগী ফীভম ফৎচিল্লক্তবা হেঞ্জিল্লক্লবদি লন্নাই প্রাইভেট স্কুলশিংনা লৌরিবা স্কুল ফীগী মরমদসু শোয়দনা মতম ইকুই কুইদনা খোঞ্জেল খরদি থোক্লরকপসু য়াই।

ইরমদম মণিপুরসিদা লৈঙাক্কী থবক ফংহৌদবদগী লন্নাইগী কম্পেনিশিংদা থবক তৌবা কাঙবুশিং অমদি নোংমগী অফং-অফংবা থবক থিরগা শুদুনা নোংমদুগী খূৎশুমলনা ইমুং-মনুংগী চারা নোংখন্নদুনা হিংলিবা মীওইশিংগী মশীংদি অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈ। মশীং থিবগী লোইবা নাইগনি হায়বা থাজদে। শম্না হায়রবদা লমদমসি হৌজিক-হৌজিকমক্কীদি লায়রবা লমদম অমা হায়বদু চপ-চানা ওইরি। ৱাহৈসিমক্লা লমদমসিগী মীয়ামসিবু লায়রবা মীওই ঙাক্তনি হায়দুনা হন্থবা থাক্তা লোইনা পুথবগী ৱাফমদি নত্তে। ফীভমসিদা লন্নাই বিজিনেস ওইনা প্রাইভেট স্কুলশিং লিংখৎপীরিবা মরুপ-মপাংশিং অমদি ইচিন-ইনাওশিং খুদিংমক্লা লমদমসিদা ইনাক-কৈরাক খুনবা, শেঞ্জাও পায়বা, থাগী খূৎশুমলদা নত্তনা সাইদ ইনকমসু মতিক চানা লাকপা, শুপ্নগী মীওই খুজোক অমখক্কী শেল-থুমগী ফীভমশিং খক য়েংলগা স্কুল ফীগী চাং লেপ্পীবা ওইরবদি মদু শোয়দনা লানগনি হায়জনীংই। হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয় পূম্নমক্লা ইচা-ইশুশিংবু মহৈ-মশীন তমহনবগী লম্বীদদি লায়রবা-ইনাকখুনবগী ৱাফমশিং থোইদোক্লা খায়রুদে। খরা হেন্না ফগদবা অমসুং ষ্টেন্দার্দ খরা হেন্না লৈবা স্কুলশিংদা মতমসিগী মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়না ইচাশিংবু মহৈ-মশীন তমহন্নীংবা হায়বসি মহৌশানি। মতমসিগী মমা-মপা ওইবা খুদিংমক্লা মশানা লৈঙাক্কী থবক তৌজদ্রবসু অমসুং লন্নাইগী বিজিনেস অমদগী নোংমগী শোয়দনবা শেঞ্জাও লাকপা মীশকমক ওইজদ্রবসু ইচা-ইশুশিংবুদি পাক হেক মমান-মমান্নবশিংদগী শোথনা, হন্থবা থাক্কী মহৈশঙ অমদা হেক্তা মহৈ-মশীন তম্বদি থানীংদে। ফীভমসি লৈবনা ঙসিগী খুন্নাইসিদা অয়াম্বা মমা-মপাশিংনা লায়রজরবসু মচাশিংবুদি শোয়দনমক্কী ইনাকখুনবা কাঙবুশিংগী মচা-মশুশিংনা তম্বা মহৈশঙশিংদগী থোইদোক্লা হন্থদবা থাক্তা লৈবা মহৈশঙ অমদা থানবা হোৎননীংই। ইন্টরনেটকী চহী চানি হৌজিকসি, গ্লোবেল ৱর্ল্ডনি, মালেমসিগী মফম খুদিংমকসি থুংনা ঈ-পাউ ফাওনবদা নত্তনা হকথেংননা উনদুনা ৱারী শানবা য়ারবনি। লোয়ননা মালেম পূম্বসি মিৎনা কূপ্পদা লোইনা উবা ফংলবনি। ইনাক খুনবা-খুন্দবা, শেল পায়বা-পায়দবা পূম্নমকসি হীরম অসোমদদি লোইনা মান্নরিবনি। থৌদৌসি উরুবদগী মতমসিগী প্রাইভেট স্কুলশিংগী ফাউন্দরশিংনা মাগী-মাগী স্কুলগী ফীশিং লেপ্পদা লমদমসিগী মীচম-মীয়ামগী ঙমজবা থাক্তগী হেল্লপ-হেল্লপ লেপ্পল্লবরা হায়বসিসু হংবা য়াবা ৱাহং ওইরক্লি। থৌদৌশিংসিদা লমদমসিগী লায়রবা মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু মহৈ-মশীন তমহন্নবা হোৎনবদা থেংনরিবা অৱা-অনাগী চৈথেংশিংসি নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলকই। লায়রবা কাঙবুশিংগীদমক লৈঙাক্কী থবক-থৌরমশিংদা বি পি এল (বিলো প্রোভর্টি লাইন) গী কান্নবা লৈহনবগুম, লন্নাই লীংখৎনরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংদদি বি পি এলগী খুদোংচাবা খক লৈবা নত্তে। ফীভমশিংসিদা লন্নাইগী প্রাইভেট স্কুলশিংদা লায়রবা মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু মহৈ তমহনবা ঙম্নবা হোৎনবা হায়বসিমক হৌজিক্কী মতমসিদদি অসুক্কী মতিক পুবদা ৱারবা অচৌবা পোলূম অমা ওইরক্লে।

লমদমসিগী মীয়ামসিনা মচা-মশু ওইবশিংবু লমদমসিদা হাংলিবা প্রাইভেট স্কুলশিংসিদা মহৈ তমহনবা পাম্নরিবসি করিগীনো হায়বা ৱাহংসিগী পাউখুমদি অসুক্কী মতিক শাংখ্রে। য়াম্না শম্না হায়রবদা, লমদমসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিংদা তম্বা মহৈরোয়শিংগা লন্নাই প্রাইভেট স্কুলশিংদা তম্বা মহৈরোয়শিংগা মহৈরোয় মখল অনীসিদা ফংনরকপা মহৈ-মশীনগী চাং অসুক্কী মতিক খেন্নে। চুম্নগী লাইরিক-লাইশুগী হীরমদদা নত্তনা অতৈ হীরমশিং কয়ামুক্তসু খেন্নবশিং অসুক্কী মতিক উরকই। অদুম ওইনমক লন্নাই ওইনা লীংখৎচবা প্রাইভেট স্কুলশিংসিনা লৌরিবা স্কুলগী ফীগী চাংসিদি তশেং-তশেংনা ৱাংমল্লবরা খল্লি। ফীভমসিদা লমদমসিদা লৈবা লায়রবা শেন্থোক লম্বেল লৈজদবা মীয়ামদদি অসুক্কী মতিক অৱা-পোৎলুমশিং ওইনা থোকহল্লি হায়বসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে। অদুগা, থৌদৌসিনা প্রাইভেট স্কুলশিং হাংদোকপা কাঙবুশিংদবুদি অসুক্কী মতিক কান্নরম্বা য়াই। হীরমসিদসু খজিক্তং নৈননীংই। লন্নাইগী বিজিনেস ওইবনিনা খজিক্তং হেন্না মমিং লৈরবা প্রাইভেট স্কুল অমগী ফাউন্দর ওইরিবা মীশক অমগী থাগী ইনকমনা ষ্টেট অমগী চীফ সেক্রেটরি ফাওবা ওইরবা খ্বাইদগী লিরবা অরিবা আই এ এস ওফিসর অমগী থাগী খূৎশুমলদগীসু শরুক অনী/অহুমলোম হেন্না থাগী ইনকম ওইনা লাক্লম্বসু য়াই। তৌইগুম্বসুং ঙক্লিবদি, লন্নাই লীংখৎপা প্রাইভেট স্কুল অমনা অসুক্কী মতিক ইনকম চাউনা লাক্লবসু প্রাইভেট স্কুলদা ওখাক লীনা ওজা ওইজরক্লবা মমিং লৈরবা ওজা অমগী থাগী খূৎশুমলদি মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুলদা ওজা ওইরিবা ওজা অমগী থাগী খূৎশুমলদুগী শরুক অহুম থোকপগী অমা ফাওবা খক ফংদে। অদুগা স্কুল চেকশিন্না কাবা, ক্লাস মশীং য়াম্না লৌবা অমসুং স্কুলদা মতম শাংনা লৈবগী চাংদনা লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা স্কুল ওজাশিংদগী লন্নাই প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা ওইরিবা কাঙবুশিংনা শরুক চাম্মদা চাম্মা হেল্লিবনি। অদুগা মণিপুরদা প্রাইভেট স্কুল অমগী মপূং ওইবা ইনকমগী লম্বী ওইরিবা, মহৈরোয়শিংনা থিগদবা স্কুল ফীগী চাংসি স্কুলদুগী ফাউন্দর ওইরিবা মীওইদুনা লেপ্পীংবা চাংদা লেপ্পদা কনামত্তনা অপন-অথিংশিং পীনদবগুমসু তৌরি। পূম্নমকসি মুন্না খঙলবসু লমদমসিগী মীয়ামসিবু পব্লিক প্লেসশিংদা নোংমতসু ৱাহৈ অমা ফাওবা থম্নবা তাদে। থৌদৌসিনা লমদম্নহল্লবা মণিপুরদা হাংলিবা প্রাইভেট স্কুল খুদিংমক্কী মরাইবকশিং নোংম-নোংমগী নোংদোন খেৎনা ৱাংহল্লকপগুম উরক্লি। পূম্নমকসিনা লমদম্নহল্লবা লমদমসিগী প্রাইভেট স্কুলশিংনা লৌরিবা মহৈরোয়শিংগী স্কুল ফীগী চাংসিনি, ঙসিগী লায়রবা মীয়ামসিনা পুবা-থাংবদা ৱানরিবসি। হীরমসিদসু ঐখোয় খরদং খন্নবদি চুমদবরা?

নুংঙাইবা হায়বসি পূম্নমক্কী ওইনা নুংঙাইমিন্নবদি ফৈ। খরনা নুংঙাইবদা ময়াম অমনা ৱাবসিসু খজিক্তং খন্নমিন্নবা চুমগনি। ইচা-ইশুশিংবু মহৈ-মশীন নিংথিনা হৈহন্নবা, অফবা লম্বীরোমদা চৎলিবনি হায়রগসু ইমুংদুনা ফেরে-ফেরে হায়বমখৈ ৱাবা খাঙবা হায়বসিসু নুংঙাইবদি নত্তে। লমদমসিদা প্রাইভেট স্কুলশিংনা লৌরিবা স্কুল ফীসিনা খজিক-খরাক হন্থবীরবদি মশীং থিঙমদ্রবা লমদমসিগী লায়রবা মীয়ামসিসু শোয়দনমক্কীনে তানা শ্বর হোন্দোক্লবা হায়বদু ওইগনি। তৌববুদি লমদমসিদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিং খুদিংমক ফীগী চাং চপ মান্ননা ৱাংমিন্নবদি নত্তে। অদুম ওইনমক স্কুল ফীগী চাং খরদি অদুম্মক হন্থহন্নীংবা স্কুলশিংগী মশীংদি ফনা য়াম্লমগনি খল্লি। খরদং হন্থবীরক্লবদি লমদমসিগী লায়রবা মীয়ামশিং শোয়দনা শাফনগনি। ●

# ক্লিনিকাস দেল অজুকারনা মেক্সিকোদা দাইবেটিস হন্থহন্নবগী মরমদা

**- আনন্দ লাইশ্রম -**




মেক্সিকোদা দাইবেটিস হায়রিবা লায়না অসি য়াম্না অচৌবা লায়না অমা ওইনা লৈ। মেক্সিকোদা মীওই ক্রোর অমগী মথক্তা দাইবেটিসনা নারগা লৈ। দাইবেটিস নাবদগী মীওই কয়া অমা চহী খুদিংগী শিবদা নত্তনা মীৎ তাংবা, খোঙ-খূৎ ককপা, কিদনি ফেল ওইবনচিংবা অৱাবা কয়া অমসু মীয়াম্না থেংনৈ। মেক্সিকোদা দাইবেটিস লায়েংনবা মওং অনী লৈ। মওংশিং অদুদি প্রাইভেট হোস্পিটাল নৎত্রগনা পব্লিক/গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা চৎলগা লায়েংবা অসিনি।

প্রাইভেট হোস্পিটালদা লায়েংবনা মমল য়াম্না তাঙই। মসিনা মরম ওইদুনা মেক্সিকোগী শেল পায়রবা মীওই খরখক্লা প্রাইভেট হোস্পিটালদা লায়েংবা ঙম্মী। অদুগা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা লায়েংবা মতমদনা লায়েংমল তারবসু অনাবা মশীং য়াম্বনা মরম ওইদুনা হোস্পিটাল অসি মী য়াম্না চিল্লি। লোয়ননা লায়েংবদসু মতম য়াম্না চঙই। লাইন/ক্যুসু য়াম্না শাংনা লেংই। মসিদা নত্তনা দাইবেটিস লায়েংবদা ডাক্টর/স্পেসিএলিষ্ট মখল মখলগা তান্নবা চঙই।

অনাবা/পেসেন্ট অমনা মফম-মফমদা, হোস্পিটাল/ক্লিনিক তোঙান-তোঙানবদা চৎলগা মতম য়াম্না চঙনা লায়েংনরম্মী। অসিগুম্বা কয়া অসিনা মরম ওইদুনা মেক্সিকোদা দাইবেটিস লায়েংনবগী অচৌবা অৱাবা লৈবনা মায় পাক্লা লায়েংবা ঙম্নদে।

মরক অসিদা ক্লিনিকাস দেল অজুকার কৌবা কম্পেনি অমা কুমজা ২০১০দা হৌদোকখি। ক্লিনিকাস দেল অজুকারসি ইশম শম্না চিনি/সুগরগী ক্লিনিক হায়না কৌবা য়াই। ক্লিনিকাস দেল অজুকার হৌদোকপগী মরমদি মেক্সিকোগী মীয়ামনা দাইবেটিস লায়না অসি লায়েংবা মতমদা হোঙনা লায়েংবা ফংহন্নবগী ওইরম্মী।

ক্লিনিকাস দেল অজুকারগা মেক্সিকোগী লৈরম্লিবা প্রাইভেট অমসুং গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল ময়ামগা খেন্নবা খরা লৈ। ক্লিনিকাস দেল অজুকারদা দাইবেটিস খক্তা য়েংনরম্মী। ক্লিনিকাস দেল অজুকারদা অনাবা/পেসেন্ট অমা লায়েংনবা চহী অমগী ফী অমা ওইনা পী। পীরিবা ফ্রী অদু প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা য়েংলুবগী শরুক মরি (১/৪) থোকপগা মান্নে। মসিদা নত্তনা অনাবা/পেসেন্টনা মফম অমা খক্তদা, ক্লিনিক অমা খক্তদা চৎলগা মপূং ফানা লায়েংহনবা ঙম্মী।

ক্লিনিক অমমমদা ষ্টেসন কয়া অমা লৈ। ষ্টেসন অমদা ডাক্টর/স্পেসিএলিষ্ট তোঙান তোঙাননা ফম্মী। ষ্টেসন খুদিংমক্তা চঙবা খূৎলায় অমসুং হীদাক লোইনা শুনা থম্মী। অনাবা অমনা মথং-মথং ষ্টেসন অমদগী অমদা চৎলগা লায়েংবা মখা চত্থহল্লি।

ডাক্টর/স্পেসিএলিষ্ট ময়ামদুনসু নোংমদা অনাবা মশীং হেন্না য়েংনবা মতম মাঙহন্দনা থুনা লায়েংনৈ। অতোপ্পা হোস্পিটাল অমদা অনাবা য়েংবা মতমদা নোংমদা পুং ৫/৬ চঙবা অদু ক্লিনিকাস দেল অজুকারদদি পুং অমগা মখায় (মিনট ৯০) দা পুল্লপ্না লায়েংবা লোইশিনবা ঙমহল্লি। অনাবা ময়ামদগী পাউ/ইনফোর্মেসন কয়া অমসু লৌরগা অনাবা ময়ামদা হেন্না ফজনা লায়েংবগী সর্ভিস/থৌগল পীবা ঙম্নবা থবকসু পায়খৎলি।

মসি ময়ামসিনা মরম ওইদুনা ক্লিনিকাস দেল অজুকার ঙসিদি মায় পাকপা দাইবেটিসকী লায়নাগা লান্থেংনবা ঙম্লে। মেক্সিকোগী মফম ৩০গী মথক্তা ক্লিনিকাস দেল অজুকারগী ক্লিনিক হাংলে।

মেক্সিকোদা দাইবেটিস নাবা মীওই লাখ ২গী মথক্তা হৌজিক ফাওবদা ক্লিনিকাস দেল অজুকারদা লায়েংবা ঙমহল্লে। ক্লিনিকাস দেল অজুকারদা লায়েংবা মীওইগী চাদা ৬৫দি থা তরুককী মনুংদা দাইবেটিস কন্ট্রোল তৌবা ঙল্লে। (গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালদা লায়েংবা মীওইশিংগী মরক্তদি চাদা ১৯ খক্তমক দাইবেটিস কন্ট্রোল তৌবা ঙম্মী)।

ক্লিনিকাস দেল অজুকার খক্তনা মেক্সিকোগী মীয়াম অমসুং গভর্ণমেন্টনা $444 million মুক সেভ তৌবা/তুংশিনবা ঙমহল্লে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।